# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 18-11-2024)

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরবিা ফিভম খন্নগনি। ঙরাংসু হীরম অসিগী মতাংদা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা খন্ন-নৈনখি।

ঙরাংগী মীফম অদুনা মনিপুরদা মহৌশাগুম শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবদা লৌখৎফম থোকপা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা খঙহনখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মনিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা ওইরক্লি। উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা হিংশাগী থবক চথ্থবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী লন-থুম মাঙহনবা অমসুং পুন্সি মাঙহনবা ফাওবা য়াওরে। মরম অদুনা অসিগুম্বা থবক চথ্থবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

ঈরাং অসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসশিং নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) দা শিন্নরে। মীয়ামনা তোকঙা থাজবীদনবা অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পাংবীনবা গৃহ মন্ত্রালয়না আপিল তৌরি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** থা অসিগী ১১ দা কুকি লালহৌবনি হায়না চিংনবশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওই তরুক অদুগী মনুংদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং ফংখ্রবা মতুং মখা তানা ঙরাংসু মীওই অনিগী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। ঙরাং জিরিবামগা য়ুমলোন্নরিবা কছার জিলাদা অশিবা হকচাং অনি বরাক তুরেলদগী ফংবা ঙমখিবনি। হায়রিবা হকচাং অদু লালহৌবশিং অদুনা ফাদুনা পুখিবদা য়াওবা চহি অনি মখায়রোম শুরবা নুপামচা অমা অমদি চহি ৬০ রোম শুরবী নুপী অদুনি হায়বা মশক খঙবা ঙমখ্রে। মসিগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা

ফাদুনা পুখিবা মীওই অমগী মরি মখোঙ খঙবা ঙমদ্রি।

নাকল অমরোমদা, ঙরাং অশিবা হকচাং অনি ফংখ্রবা মতুং খোইশাওনরবা মীয়ামনা জিরিবাম জিলাদা ইরাং হৌরকখি। ইরাং অদু সেক্যুরিতিনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা জিরিবাম কমরঙ্গাদগী খুন্দ্রাকপম অথৌবা কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

আর্মি, অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ, সি.আর.পি.এফ. অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফ্লেগ মাচ চৎখি।

পুলিসকী পাডনা হায়-এম.এল.এ. অমদি মন্ত্রিশিংগী য়ুম-কৈ অমাং অতা থোকহনবদা চেন্নবা মীওই ২৫ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাদগী ফারে।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা মখোয় এম.এল.এ. ওইনা লৈবা পাল্লকক্ত্রে।

মরাল লৈজদবা নুপী অঙাং য়াওনা হাৎপা তুপ্পগী থবক লেপ্তুনা চত্থরকপা অমসুং মনিপুরগী ইরাং লাকশিনবা ঙমদবা কয়া অসি য়েংলগা এম.এল.এ. ওইনা লৈবদা মতিক চাদ্রে। মরম অদুনা, মনিপুরগী মীয়ামনা অনৌবা সরকার শেন্বা পাল্লবদি কংগ্রেসকী এম.এল.এ. মঙামক ফম থাদোকবা শেম শাবা লোয়রে।

অমরোমদা, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অসি য়েংলগা নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি) নসু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম

বিরেননা লুচিংবা সরকারদা শৌগৎলম্বা অদু তোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে. সংমানা বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দাদা থাবা চেরোল অমদা হায়-নেসনেল পিপলস পার্তিনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা নুংনাংবা পোক্লে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী ফিভম হেন্না ফৎচিল্লক্তবগা লোয়ননা মরাল লৈতবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙলে অমসুং রাজ্য অসিগী মীয়ামা কা হেন্না অৱাবা মায়োকরে। মসিনা মরম ওইদুনা নেসনেল পিপলস পার্তিনা বিরেন সিংহনা লুচিংবা মণিপুর সরকারবু শৌগৎপা খুদক্তগী তোক্লে হায়রি।

**ইন্টরনেট (এল)** ঃ তম্পাক্কী জিলাশিং-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমদি চিংগী জিলাশিং-কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদসু ঙরাংদগী ইন্টরনেট সার্ভিস ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবা অথিংবা লৈরি।

রাজ্যগী হোম বিভাগনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোরকপা য়াবা অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী ইন্টরনেট অসি থিংখিবনি। জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাদসু ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ নিনি ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিনখ্রে। অথিংবা অসিদা মোবাইল দাটা সার্ভিস, ভি-সেট, ব্রোদবেন্দ অমদি ভি.পি.এন. সার্ভিসশিং য়াওরি।

**কার্ফিয়ু (এল)** ঃ মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী মফম পুমমক্তা কার্ফিয়ু অদুম্মক থল্লি।

কার্ফিয়ু লৈরিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তা য়ুম য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারোই। অদুমওইনমক, তঙাইফদবা থবকশিং-হকশেল, ইলেক্ট্রিসিতি-সি.এ.এফ.এন্দ.পি.দি-পি.ঐচ.ই.দি-পেট্রোল পম্পশিং, ম্যুনিসিপালিতি, প্রেস

অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া, কোর্টকী থবক থৌরমশিং, এরোপ্লেনগী পেসেঞ্জরশিং চৎথোক চৎশিন তৌবশিংগী ওইনদি কার্ফিয়ু অসিনা কোনশিল্লোই হায়রি।

**অফস্পা (এল) ঃ** পুলিস ষ্টেসন তরুকা কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপবু মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মহেরোইশিংগী লুপ অসিনা থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

**প্রোটেষ্ট(এল) ঃ** ওরিয়েন্টেল লেবেলর এসোসিয়েসন (ওলা) ৱাংখৈ কোংবদগী হৌরগা ৱাল ক্লব ফাওবগী মরক্তা লৈবা ক্লব ১২ গী মীহুৎশিংনা ঙরাং মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-টি.ঐচ. সৈত্যবরতাদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা টেরোরিজমগী থৌওং চত্থরিবা কুকি খুৎলায় পায়বশিংবু ফোংনা শৌগৎলিবা কুকি এম.এল.এ. তরাবু এম.এল.এ. ওইবদগী লৌথোকখিনবা তকশিনল্লি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিবু নাইজেরিয়ানা গ্রান্ট কম্মান্দর ওফ দ ওর্দর নাইজর এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

মঙোন্দা পীরিবা ইকায় খুমবা অদুবু তরামা ওক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইকায় খুমবা অসি মহাকা ভারত মচাশিংদা কৎথোক্লে। চহি ১৭ কী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা নাইজেরিয়াদা চৎপা অসি শ্রী মোদিনা অহানবা ওইরে। মহাক্কী অহুমশুবা টার্মদা মহাকা নাইজেরিয়াদা চৎপগী খুদোংচাবা অমা ফংবা অসি থমোয় শেংনা নুংঙাইবা পোকই হায়রি।

মহাকা হায়-ভারত অমসুং নাইজেরিয়া লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীননবা য়ান্নরে।

**ফুটবোল ঃ** সন্তোস ত্রোফিগী গ্রুপ (দি) গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। মেট অসি ত্রিপুরাগী উমাকান্তা মিণি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবনি। হয়েং ত্রিপুরাদা মনিপুরগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখিবা, মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা সরকারদগী এন.পি.পিনা শৌগৎপা তোকখিবা অমদি রাজ্য অসিগ এম.এল.এ. অমদি মন্ত্রি কয়াগী য়ুম-কৈশিং অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

জিরিবামদা বি.জে.পি. অমসুং কংগ্রেসকী ওফিসশিং থুগায়খ্রে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরদা নৌনা থোরকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর-অমিত সাহ, মহারাস্ত্রা সরকারগী রেল্লি কেন্সেল তৌখ্রে, মনিপুরগী সিচুয়েসন রিভিয়ু তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা সিচুয়েসন রিভিয়ু তৌনবা সি.আর.পি.এফকী দি.জি.পি. লাক্কদৌরি। জিরিবাম এট্রেক্তা চেন্নবা ঐচ.পি.সি.দিগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং থম্লকপা য়ারি হায়না সব হেদলাইন অমসু পীরি।

এম.এল.এ. মিনিস্তরগী য়ুম কয়া অমাং অতা থোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোটোগা কোন্ননা ফোংলে।

হুইয়েন লানপাউদা-কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওই তরুক্কী মনুংদগী রানি অমদি চিংখৈঙানবগী হকচাংশিং বরাক তুরেলদগী ফংলে হায়না ফোটোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম মুখ্য মন্ত্রি-বিরেন সিংহনা দায়ত্ব লৌগদবনি হায়বা কংগ্রেস লিদর-ইবোবীগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

সনা লৈবাক্তা-মীয়ামগী ইহৌগী তুংদা, বি.জে.পিনা লুচিংবা লৈঙাক যুহার হারে। নেসনেল পিপলস পার্টিনা বিরেন লৈঙাক শৌগৎপা তোকখ্রে, সি.এম. বিরেননা এন.দি.এ. পার্টিশিংগী মীতিন কৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরে।

নহারোলগী থৌদাং পাউ-চেদা-দিল্লিদা লৈবা হোম মিনিস্তরগী ওফিসিএল রেসিদেন্সতা মীতৈশিংনা ইরাং লোয়শিল্লু হায়না থোমজিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

মোরনিং বেলদা-দিল্লিদা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীতৈ ২০০ হেন্না দিল্লি পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখি হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-পেট্রোল, দিজল অমদি এল.পি.জিদি ট্রান্সপোর্টসন লেপখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা তাংখুল সনাউলোংনা জিরিবামদা থোকখিবা নুপী অমদি অঙাংদা চথখিবা হিংশাগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী এদিটরদা ষ্টেট স্পিপসিএল রিকোগনিসন এৱার্ড পীরক্লে হায়না ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-বি.জে.পিগী এম.এল.এ. ৯ রিজাইন্দ তৌননবা শেম শারে হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-চ্রমরাম সেখমেন্ট বোইসকী লুচিংবশিংনা তৌসেম সব দিভিজনগী ভিলেজশিংদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে হায়না ফোংলি।